অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী ষ্টুডেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ৭ শুবা প্রসিডেন্ট ওইনা কুমজা ২০০৭-১৮ কী থৌ পুরন্বা ডা: চিংশুবম রুপচন্দ্রনা লৈখিদবদা মণিপুরী ষ্টুডেন্টস ফেদরেসন অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) না অৰাবা ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফকী থৌমীশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনিট অনি তুমীন্না লেপ্পুনা ইকাইখুম্নবা উৎখ্রে। লূপ অসিগী মশা লোয়শঙশিং, ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিশিং, ব্রাঞ্চশিং অমদি য়ুনিটশিংদা থা অসিগী ২৪ দা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাইখুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিটি অনি তুমীন্না লেপ্পুনা তাইবঙ মপুগী লৈকোন্দা ঈংনা-চীক্লা লৈরুনবা থৌনিগনি। ডা: চিংশুবম রুপচন্দ্র মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুডেন্ট য়ুনিয়নগী কুমজা ২০০৫-০৬ কী প্রসিডেন্ট ওইনা থৌ পুরন্মী। হৌজিক্লা হিয়াংথাংদা লৈবা কাক্ছ্যা পেমতোন কোলেজগী পোলিটিকেল সাইন্স ডিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরম্মী। মুসুনসু ডা: চিংশুবম রুপচন্দ্রনা লৈখিদবদা অৰাবা ফোঙদোরক্লি। মুসুগীসু প্রসিডেন্টগী থৌ পুরন্বা অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোই খুন্নাইগীদমক কথোকপগা লোয়ননা অচৌবা থৌদাং য়ারন্বা রুপচন্দ্রনা লৈখিদবা অসিগা মরী লৈননা মুসুনসু অৰাবা ফোঙদোকখ্রে। অমদি ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোই ২ তান্নোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন ২০১৮ তা সাইকুলগী থাংতোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল এগজামিনেসন সেন্টরদা মহুৎ শিন্দুনা থারন্বা মহৈরোই অনি তান্নোকখ্রে হায়না কোসেমগী সেক্রেটরি ডা: এম বিদ্যাসাগরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অৰাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ম্যুজিক এসোসিএসনগী এডভাইজর ওইনা থৌ পুরন্বা অমদি ক্লাসিকেল ম্যুজিক চাউখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরন্বা কৈসামথোং থাংজম লৈক্তা লৈবা আর কে জ্ঞানকিশ্বরনা থা অসিগী ১৭ তা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ম্যুজিক এসোসিএসন্না থা অসিগী ২২ গী নুংথিলদা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা অৰাবা ফোংবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : পুংমোনচীংহেন ভিলেজ ওথোরিটিগী চিয়রমেন পাষ্টর, লম মপুশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিংনা তমেংলোংগী ডি সি আমষ্ট্রোং পামেবু লেন্দ কম্পেন্সেসন ফংফম থোকপা মীওইশিংদা পীনবা ৰারেপ লৌরক্লিবা অসিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ৰার্দেন লৌগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : খুমন লম্পাক য়ুথ হোষ্টেলগী কন্ট্রেক বেসিসতা ৰার্দেন অমা অমসুং এসিষ্টেন্ট ৰার্দেন অমা লৌগনি হায়রি। মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম ডিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টসতা লাক্লিবা এপ্রিল ১০ ফাওবগী মনুংদা মমিং পীখৎলক্কদবনি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টসতা নোমিনেসন তৌগদবনি হায়রি।

খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর মুস্লিম ৱেলফিয়র এসোসিএসন অমদি তোঙান তোঙানবা মাইনোরিটিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা নুমিৎ কয়ানিগী মমাংদগী সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মাইনোরিটিশিংগী য়াইফ থৌরাংগী থবক থৌরম পায়খৎনবা থাদরকপা শেনফমশিং লান্না শীজিন্নরে হায়না মরাল শিরকপগা লোয়ননা এম ও বি সি ডিপার্টমেন্টনা কুমজা ২০১০ দগী ২০১৭ ফাওবা পায়খৎলিবা স্কিম খুদিংমক ইনক্বারি তৌদুনা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপীয়ু অমদি মমাংদা কেবিনেট ডিসিজন লৌখ্রবা এম ও বি সিদগী তোঙানবা মাইনোরিটি ৱেলফিয়র ডিরেক্টোরেট অদু মপুং ফানা মথৌ তৌহল্লু হায়না এম এম দল্লিয়ু ও না পুং ৩৬ কী টোটল সট দাউনগী খোঙজং অমা থা অসিগী ৩০ গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা এপ্রিলগী তাং ১ গী নুমিদাং পুং ৬ তাবা ফাওবদা চঙশিল্লিবা অসি মণিপুর পূম্বা সট দাউন তৌবগী খোঙজং চঙশিনগনি। মদুগী মতুংদা নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ৬ ফাওবা চঙশিল্লিবা অসিদা মপুং ফাবা শৌগৎকনি হায়বশিং মীচেল ওইখ্রে হায়রি। খোঙজং অসিবু মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফিয়র এসোসিএসন অমদি তোঙান তোঙানবা মাইনোরিটিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ডেল্টা মোক টেষ্ট এগজামিনেসনদা মকোক-মথং তারকপশিংনা মনা পীখ্রে

2nd State Level
DELTA HSLCE 2018
PREPARATORY/MOCK TEST
PRIZE DISTRIBUTION CEREMONY

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : ডেল্টা ক্বাকৈথেলনা শিন্দুনা ২ শুবা ষ্টেট লেভেল ডেলতা ঐচ এস এল সি ই ২০১৮ প্রিপরেটরি/ মোক টেষ্টকী এগজামিনেসন্দা মকোক মথং তারকখ্রবা সবজেক্ট টোপ্পরশিং অমসুং পোজিসন তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুম অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি নুংথিল ফাউন্দেসন অসিগী ওডিটোরিয়মদা হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৰাঙ্খেমচা সমজাই চীফ এডিটর কংলৈপাক্কী মৈরা, এক্স প্রসিডেন্ট এমজুনা চীফ গেষ্ট, ডেল্টা ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি কে ঐচ ইশ্বরদাসনা প্রসিডেন্ট, রোবিন ৰাহেংবম মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমী এৱার্দি অমসুং ডেল্টা এডভান্স স্কুলগী প্রিন্সিপল জি বিনিতানা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা ৰাঙ্খেমচা শমজাইনা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না এডুকেসন হায়বসি য়াওদবা য়াদ্রে। ডেলতা ফাউন্দেসন্না পায়খৎলক্লিবা থৌওংশিং অসি থাগৎনিংঙাইনি। ওজাশিংনসু কথোকপগা লোয়ননা অঙাংশিং অসিবু শেম্বীদুনা অফবা মায়কৈদা চৎনবা লমজিংবীরিবা অসিগীদমক্তসু থাগৎলি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাবু অফবা মীওই অমা ওইহনগে হায়রবদি মখোঙদগী হৌনা শেম্বীগদবনি। ইমুং-মনুংদগী হৌনা থকসি-খাসি তম্বীগদবনি।

মমাংঙৈদদী ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ওজাশিং উবদা খুরুম্নরম্মী। হৌজিক্তি অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌনখিদ্রে। হৌজিক্কী মতমদদি তাহৈদবা কয়া তারে। অঙাং অমনা নোট তৌগে হায়বদা য়াদে হায়বগীদমক ওজা ফুবগী পাউ ফাওবা তারে। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া থোরক্লিবনো হায়বদা, মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিং অসিবু য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনগদবনি। মচাশিংনা স্কুল চৎখ্রগা কদায়দা চৎলি, কনাগা তিন্ন- লোইনরি হায়বনচিংবা অদু য়েংশিনবীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

প্রসিডেন্টকী ৱারোলদা কে ঐচ ইশ্বরদাসনা হায়খি, ডেল্টা ফাউন্দেসন অসি ট্রষ্টনি। ট্রষ্ট অসিগী মখাদা কোচিং সেন্টর, হোম ট্যুটর অমসুং স্কুল হায়দুনা লৈবনি। চহি খুদিংগী ফ্রি কোচিংসু পাঙথোকই অমসুং সিটকী মতাংদদি মশিং লেপ্পে বেজ অনি খায়দোক্লগা তৌই। বেজ অমদা মহৈরোই ১০০ ফ্রিদা মফম অসিগী অকোয়বগী অমসুং অতোপ্পা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংগী ওইনা পাঙথোকই। সাইন্স সবজেক্টকী ওইনা পাঙথোকপনি। কোচিং সেন্টর অসি কুমজা ২০১৩ দগী হৌখিবনি।

ঐচ এস এল সি এগজামিনেসন ২০১৮ থাগদবা অঙাং ২২০ না সেকেন্দ ষ্টেট লেভেল ডেল্টা এচ এস এল সি ই প্রিপরেটরি/মোক টেষ্টতা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা স্কুলগী মহৈরোই ঙাক্তনি। পূন্না মহৈরোই ২২০ না এগজামিনেসন অসিদা শরুক য়াবদা পোজিসন ২৬ খনগৎলগা মনা-মথুমশিং পীবনি। মোক টেষ্ট অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা মরমদি বোর্দতা অহানবা এগজাম থাগদৌরিবা অঙাংশিং অদুনা এগজামিনেসন্দা কিবা থুকৎপা হন্থহন্নবা বোসেমনা লৌবা এগজামিনেসনদা থেংনগদবা মওং-মতৌ অদু চাংয়েং তৌবনি।

থৌরম অদুদা অহানবা পোজিসন তাখ্রবা টাইনি টোট য়ুনিক স্কুলগী কামৈ লঙাংলু, অনিশুবা পোজিসন তাখ্রবা লিট্টল ফ্লৱর স্কুলগী পতেল লাইরেনজম অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা অন্টারর্টিক ইংলিস স্কুলগী মহমদ হরিফতা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৫, ৪ অমসুং ৩। সার্টিফিকেট অমসুং মোমেন্টোসু পীখি। কোন্সোলেসন প্রাইজ ফংখ্রবা মহৈরোইশিংদসু শেলগী মনা লুপা লিশিং অমমম পীখি।

ৱাংজিংদগী শলুংফম চঙবা লম্বী খুদোং থিনিংঙাই ওইরে

থৌবাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমসুং হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা ৱাংজিং কৈথেলদগী শলুংফম তাখিবা আই ভি আর রোড অসি শেন্বদবা কাইরকপনা ফিভম শোক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা শেন্বীদ্রবদি লম্বী থিংবা য়াওনা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়রি।

নোং খজিংক্তং তারকপা মতমদা লৈখোম লৈনাং থোকপনা মরম ওইদুনা লম্বী অসি চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি অমদি লম্বী অসিদা পেসেঞ্জরশিং পুদুনা চেল্লিবা ওটোরিক্সোশিংদসু খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়রি।

শলুংফম ৱাংজিং টেক্সি ট্রান্সপোর্ট ৱেলফিয়র এসোসিএসন্না থাদোরকপা চেরাল অমনা হায়, লম্বী অসি মতম খরগী মমাংদা মতেক খরদা নুং খরা চাইরল্লবা মতুংদা মখা তানা শেন্বীদবনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরে। মরম অদুনা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা শেমজিনবীদ্রবদি মথংগী নুমিৎতগী মখল মখাগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি। লম্বী অসি শলুংফম, কাইরেনবিখোক, ৱাংজিং তেকচম লৈকাই ৱাইজিং এস কে লৈকাই অমদি অতৈ মরু ওইবা স্কুলশিংগী চৎথোক-চৎশিনগী মরু ওইবা লম্বী অমসু ওইরিবনি। মদুগীসু মথক্তা ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মফমশিংদা লৈরিবা শলুংফম, কাইরেনবীখোং, ৱাংজিং তেকচম লৈকাই, ৱাংজিং এস কে লৈকাইগী মীয়াম্না ৱাংজিং কৈথেল কারকপগী খ্বাইদগী মরু ওইবা লম্বী অমসু ওইরি। লম্বী অসি নোংজু থাদা লৈখোম থোকপা অমসুং কোম কয়া লৈবনা মহৈরোইশিংনা স্কুল, কোলেজশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে। ৱাংজিং তেন্থা এ সিগী এম এল এ, হৈরোক এ সিগী এম এল এ অমসুং লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লুচিংবশিংনা হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

নাকল অমরোমদা লম্বী অসি শেম্বীনবা হায়জরুবদসু তাশিন-উশিন্নদনা লৈথোক্লিবা অসিগী মায়োক্তা মীয়ামগী য়েংলগা ওটোরিক্সো এসোসিএসন্না চঙশিল্লকপা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়দুনা কাইরেনবীখোং ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন এন্দ ক্লবকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হেল্থ মেলা লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : কংলৈ নাৎ নৈন লূপ অয়ুরবেদিক ঔসাধলয়ানা শিন্দুনা থা অসিগী ৮ দগী চথরকখিবা অয়ুরবেদিক কেম্পেন এন্দ মেগা হেল্থ মেলা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী য়ুম্না হুইদ্রোম মখা লৈকাইদা লৈবা লূপ অসিগী ওডিটোরিয়ম হোলদা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অয়ুস ডিপার্টমেন্টকী ডিরেক্টর এ গুনেশ্বরনা হায়খি, অয়ুরবেদিক হায়বসি মমাংঙৈগী মতমদা য়াম্না শীজিন্নরম্মী, মসিগী কান্নবা অসি খঙলকপদগী মালেমগী অতোপ্পা মফম কয়াদা অয়ুরবেদিক্কী কান্নবা অসি খঙনরক্তুনা ঙসিদি লায়েং অসিগী মায়কৈদা মায়ওনশিন্নরক্লি। লায়েং অসি শেল ইচঙ চঙদনা লায়না খুদিংমক য়েংবা য়াবনি অমসুং লায়েং অসিবু চাওখৎনবা লৈঙাক্নসু হোৎনরি।

লমগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈতে: কম্মিটি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শন্নবা থৌরাংলিবা অসিগী লমগী মতাংদা চয়েৎনবা অমত্তা লৈতে হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ডিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি সোরোখাইবম য়াইস্কুলনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ডিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি সোরোখাইবম য়াইস্কুলনা হায়খি, ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগদৌরিবা লম অসিগী মতাংদা চয়েৎনবা অমত্তা লৈতে। মসিদা পিছ এন্দ ডিভলপমেন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (পি ডি সি সি) গী মায়কৈদগী লমগী চয়েৎনবা লৈবগুম ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা অসি চুপ্লোই। এম এল এ গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা সহি তৌদবদগী চয়েৎনবা লাক্তুনা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শাবদা চয়েৎনবা লৈরকখিবনি হায়বসি অরানবা ৱাফমনি। ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবগদৌরিবা মফম অসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা অয়েৎপা নত্রগা অপনবা পীবা লৈতে। কুমজা ২০১৪ দা মরী লৈনবা পট্টাদারশিংদা কম্পেন্সেসন পীবসু লোইখ্রবনি। পি ডি সি সিনা চয়েৎনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপসি তৌহন্নিংদে। হেল্থ মিনিষ্টরনসু হায়রিবা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শারগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ডিভলপমেন্ট কম্মিটিগী পব্লিসিটিগী নোংথোম্বম দিজেন্না হায়খি, শগোল মাংদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগদৌরিবা লম অসিগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈতে। হীরমসিগী মতাংদা হেল্থ ডিরেক্টোরেটতা পূন্না ফমীন্নদুনা ৱাখল তামীন্নবগী মীফম পাঙথোকসি হায়বদা পি ডি সি সিনা লাকখিদে। ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শাবগী মতাংদা অখুবা পোলিটিক্স তৌবিগনু। মরী লৈনবা ওথোরিটিনসু অথুবা মতমদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শগোলমাংদা শাবিগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

টোইলেট খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : উৎলৌ হায়স্কুলদা ৫ শুবা জে এ কে রাইফলকী নম্বোল কম্পেনিনা সাদ ভববন প্রোজেক্টকী মখাদা শাবা টোইলেট ঙসি খুৎশিন্নখ্রে। অচন্বা থৌরম অমগা লোইননা ৯ শুবা অসাম রাইফলসকী সেক্টর কম্মান্দর ব্রেগেদিয়র অমিৎ কবথিয়ালনা টোইলেট অসি শঙ্গাদুনা স্কুল অসিগী ওজা অমদি মহৈরোইশিংদা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱাঙাংবদা ব্রিগেডিয়র অমিৎনা হায়খি, মহৈ তম্ফমশঙশিংবু লুনা-নান্না থন্বা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। লমহাংদা অমোৎ-অকাই তৌশিন্দুনা অনা-অয়েক থোক্তনবা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসিগী শরুক অমা ওইনা অসিগুম্বা থৌরাং অসি পায়খৎপনি হায়না ফোঙদোকখি।

স্কুল অসিদা তল্লিবা মহৈরোইশিংনা লাইরিক নিংথিনা তমদুনা তুংগী য়ুম্বী ওইনবা পাউতাকসু পীখি। থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিডেন্ট টি ঐচ বসন্তা অমদি লমদম অদুগী প্রধাননচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ভেকেস্নেল ট্রেনিং সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ) মেজর জেনরেল ভিরেন্দ্র ভি এস এমনা ঙসি ২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা ৩৯ অসাম রাইফলসনা লিংখৎপা হেন্দলুম ভেকেস্নেল ট্রেনিং সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ ৱাই শুরচন্দ্র, ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবশিংসু শরুক য়াখি। পূন্না মীওই ৩০ রোম্না শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ৱার্ক মেম্বরশিং ভিলেজ চীফশিং অমসুং মফম অদুগী নহা ওইরিবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

নহা ওইরিবা মীওইশিংবু শেম্নোক লম্বী লৈহন্নবগী খুদোংচাবা কয়া পীগসৌরিবা ভেকেস্নেল ট্রেনিং অসিনা হেন্দলুম লম্দা স্কিল ট্রেনিং ফংহনগনি হায়না হেড ক্বাটর আই জি এ আর (সাউদ) কী পি আর ওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অথিংবা থন্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : সোইবম লৈকাই অৰাং মৈরা পাইবী চাওখৎ থৌরাং লূপ্না কোনবা মফমশিংনা থা অসিগী ২৫ দগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়োনবা থিংলে। হায়রিবা মতম অসিদগী মখা তানা য়োল্লন্বা তারবদি মসিগী মতাংদা লাকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং মশা-মশানা য়াজগদবনি হায়রি।

থৌ পুবা খল্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী ষ্টুডেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমসি হায়বা একাদেমীক কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌ পুবশিং খনখ্রে। সি আই কোলেজকী পুখ্রাম সুমনকুমারনা প্রসিডেন্ট, সি আই কোলেজকী কোঙ্গম অকাসনা জেনরেল সেক্রেটরি, মোইৰাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী খাইদেম রবিকান্তনা ফাইনান্স সেক্রেটরি অমসুং স্কুল অসিমক্কী পি হিটলরনা পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুনবা খনখ্রে হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টদিজ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী প্রেস এডভাইজরি কম্মিটিগী মীহুৎশিংগা ন্যু দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট লাইব্রেরি বিল্ডিংগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈবা লেকচর হোল সিদা ব্যুরো ওফ পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টডিজ এন্দ ট্রেনিংগী ইন্টরেক্সন সেক্সন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা সেক্রেটরিয়েট অমসুং কম্মিটিগী ওইবা সেসন ৪ লৈখি। অহানবা সেসনগী ইন্ট্রদক্টরি সেসনদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিয়েটকী ওইখি। লোক সভা সেক্রেটরিয়েটকী ডিরেক্টর পুলিন ভুটিয়া অমসুং লোক সভা সেক্রেটরিয়েটকী এডিস্নেল ডিরেক্টর রাজকুমারনা লোক সভা সেক্রেটরিয়েটকী টিম অদু লুচিংখি। প্রেস এডভাইজরি কম্মিটি মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী মীহুৎশিং অদুনা এ মুবিনা লুচিংখি অমসুং খেলেন থোকচোম, এ দিলিপ, দল্লিয়ু লুখোই অমসুং সোনিয়া সোরেন্সংবমনা অতোপ্পা মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী মহুৎ শিন্দুনা এন রোবিন্দ্রো অমসুং ৱাই নিকেসনা শরুক য়াখি।

অনিশুবা সেসনদা বি জে পিগী নেসনল সেক্রেটরি অমসুং নোর্থ ইষ্টকী ইন চার্জ ওইরিবা পলহাট সিং পটেল অমসুং লোক সভা সেক্রেটরিয়েটকী জোইন্ট সেক্রেটরি কলপনা শর্ম্মনা মহুৎ শিনখি। সেসন অদুদা পলাট সিং পটেলনা পার্লিয়ামেন্টরি কনভেন্সন অমসুং রুলশিংগী মরমদা ৱা ঙাংখি। নুমিৎয়ুংবা সেসনগী মতুংদা মণিপুরগী টিম অদুনা পার্লিয়ামেন্টকী মেডিয়া গেলরিগী রেগুলেসনশিং অমসুং প্রেস এডভাইজরি কম্মিটিনা পার্লিয়ামেন্টরি রিপোর্টিংদা মায়োক্নরিবা কয়াগী মরমদসু কুপ্না নৈনখি হায়রি।

লোক সভাগী প্রেস এডভাইজরি কম্মিটিগী মীহুৎশিং অদুনা ঙসিগী চিয়রমেন ডি পি কমাৎনা লুচিংখি।

মরিশুবা অমসুং অরোইবা সেসনদা লোক সভাগী প্রেস, পব্লিক রিলেসন ওফিসর মজু শর্ম্মনা পি এ সি অমসুং মহাক্কী ডিপার্টমেন্টকী মরমদা মচা খাইনা ৱা ঙাংখি। মণিপুরগী টিম অদুনা ঙসি লোক সভাগী প্রোসিডিংশিং য়েংগনি হায়না তৌরন্বনি। অদুবু ওপোজিসন্না অয়েৎ অপন পীরকপনা মরম ওইরগা মীফম অদু থা অসিগী ২৭ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে। লোক সভা সেক্রেটরিয়েটনা মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিনা পায়খৎলিবা প্রোগ্রাম অসিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক ষ্টেট অসিদা লাকখ্রবা মতুংদা প্রেস এডভাইজরি কম্মিটি মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লি শেমখি অমসুং থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। মণিপুরগী টিম অদুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা লাইব্রেরি অমা ওইরিবা পার্লিয়ামেন্ট লাইব্রেরিদা চৎতুনা য়েংখি। পার্লিয়ামেন্ট ম্যুজিয়মদা লৈরিবা য়াম্না মরু ওইবা ডেক্যুমেন্টশিং অমদি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী খুৎনা ইবা রেপ্লিকানচিংবা ইখি।

টিম অসিনা গুজরাটতা চত্তুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী য়ুম দন্দির কুতিদা লৈরিবা মহাত্মা গান্ধিনা দন্দি মার্স হৌখিবা মফমগী ম্যুজিয়ম, ইন্দ্রো দান নেচরেল পার্ক, অকসর্ধাম মন্দির, রুদ্র নিংথৌগী খোঙফমশিং, সবরমতি অশ্রম, সবরমতি তোরবালগী শরুকশিং, অহমেদবাট অমসুং মুম্বাই ফাওবগী ইন্দিয়ান এক্সপ্রেস ৱে ৱাই অমসুং এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা মিল্ক ওইরিবা খেদা ডিষ্ট্রিক্টকী অমুল ইন্দষ্ট্রি য়েংখি। টিম অদু থা অসিগী ২৫ দা হল্লক্কনি হায়রি।

য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্দ ফংলকখ্রবী নিলুফরবু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১০৫ শুবা ওল ইন্দিয়া সাইন্স কোংগ্রেস ২০১৮ তা কুমজা ২০১৭-১৮ কী আই এস সি এ য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্দ শিন্নরকখিবী নিলুফরবু ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং হেলি ইংলিস স্কুল সোইবম লৈকাই ৱাঙ্খে খুন্নৌদা পাঙথোকখ্রে।

স্কুল অসিগী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সিটিজন ক্লব সোইবম লৈকাইগী প্রসিডেন্ট ওইনাম প্রিয়োকুমার, ডি এম কোলেজ ওফ টিচর এডুকেসনগী প্রোফেসর খুরাইজম ডিনেস, হেল্লি ইংলিস স্কুলগী প্রিন্সিপাল নিংথৌখোংজম চাউবনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা য়ং সাইন্টিস এৱার্দ ফংলকখ্রবী নিলুফর কুমজা ২০০৪ কী ঐচ এস এল সি এগজামিনেসনদা ফাইষ্ট ডিভিজনদা মাই পাল্লুকখি অমসুং নর্সরিদগী ক্লাস ১০ ফাওবা হেলি ইংলিস স্কুলদা তম্লকখি। নিলুফরগী অপোকপা ফিরোজ অমসুং অপোকপী রাতিপুন কুরেসি হাফিজ হট্টাদা লৈবনা এৱার্দ অসি ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড টি বি ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) : মালেমদা ট্যুবরকোলোসিসকী লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসিগা মরী লৈনবা পাউজেল মীয়ামদা পীনবা ৱান্টদ: লিডর ফোর এ টি বি ফ্রি ৱর্ল্ড হায়বা থিমদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম মার্চ ২৪ দা ৱর্ল্ড টি বি ডেগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

ডোক্টর রোবার্ট কোটসনা ট্যুবরকোলোসিস লায়না ওইহল্লিবা ভেক্টরিয়া মাইকো ভেক্টিরিয়ম ট্যুবরকোলোসিস পুথোকখ্রবা মতুংদা লায়না অসি লাকশিন্নবা ৱর্ল্ড টি বি ডেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি।

য়ুরোপ অমসুং অমেরিকাগী মীওই ৭ খুদিংগী মীওই অমমম টি বি লাইনানা নাহল্লি হায়বসি টি বিবু নাহল্লিবা মহিক অসি পুথোরকপা মতমদা খঙলকখিবনি। টি বি লায়না মুখৎনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা লেপ্পুনা খোঙজং চঙশিল্লক্লি। ইন্দিয়াদা চহীগী ওইনা মীওই লাক্ষ ৪.২ টি বি লাইনানা শিহল্লি অমসুং অসিগুম্বা লায়না অসি শিহল্লিবসি অয়াম্বনা লাইরবা অমসুং নহা ওইরিবা মীওইশিংনি। ইন্দিয়াগী মীওই লাক্ষ ২৭ রোম লায়না অসিনা নাহল্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং অমসুং কাঙলুপ কয়াগী মরক্তা অৰা-অনা কয়া থোকহল্লি। ষ্টেট অসিদসু মীওই ২৫০০ দগী হেন্না টি বি লায়নানা চহি খুদিংগী নাহল্লি। লায়না অসিবু লাকশিন্নবা চহি কয়াগী মমাংদগী হোৎনদুনা লাকই। টি বি লায়নানা মরম ওইদুনা চহি অমদা লৈবাক অসিগী ওইনা শেল-থুমগী ফিভমদা লুপা ক্রোর লিশিং ২০ রোমগী চাংদা মাংলি।

অসিগুম্বা মীওইবদা অৰা-অনা কয়া পোকহল্লিবা লায়না অসি পব্লিক হেল্থ কিয়র সিষ্টেমগী মনুং চন্না হিদাক পীজদুনা লায়েংনবগী খুদোংচাবা পীরি। লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানসু টি বি লায়না লাকশিন্নবা মতম কয়াগী মমাংদগী য়েংশিন্দুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক হৌখিবা চহি কয়া অসিদা অহোংবা কয়া লৈখিদে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ২০২৫ ফাওবদা টি বি লায়না লৈবাক অসিদগী মপূং ফানা মুখৎনবা পান্দম থল্লি। চহিগী মার্চ ১৩ দা দিল্লি এন্দ টি বি সমিটতা প্রাইম মিনিষ্টর, শক্লাইরবা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী মীওই কয়াদা শরুক য়াদুনা সমিট অদু পাঙথোকখি। অহানবা ওইনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা টি বিগী মরমদা খন্ন নৈনগনি। য়ু এন হায় লেভেল মিটিংনা টি বি লায়না মপূং ফানা মুখৎনপা ঙম্নবা মপূংবা থবক চঙশিল্লকপা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী হেল্থ মিনিষ্টরগী মিৎয়েং মখাদা মমাং চহীগী জুলাই ২২ ফাওবদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র মিনিষ্টরনা টি বিনা নারবা মীওইশিং খন্দোক্লবা থৌরাং অমা লোঞ্চ তৌখি। এ সি এফকী মরু ওইবা পান্দমদি ট্রাইবশিংনা খুন্দারিবা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা ডাইবেটিষ্টনচিংবা লায়নানা নারবা মীওইশিং মমা-মপা লৈতবশিং, জেলদা লৈবা মীওইশিং অমসুং ষ্টোন ক্রসরদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমদি ৱিভরশিংদা টি বিগী কেস লৈবরা হায়দুনা য়েংখি। সেনাপতি, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, তমেংলোং অমসুং উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদসু য়েংশিনখি।

মথংদা অনিশুবা ফেজগী ওইনা ডিষ্ট্রিক্ট ৩ চুড়াচান্দপুর, চান্দেল অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতা য়েংশিনখি। মদুদা টি বিগী কেস ৬৭ খঙদোকপা ঙমখি হায়রি।

অথুবা মতমদা টি বিনা নারবা মীওইদা মপূং ফানা লায়েংবা লোইদ্রিবা ফাওবা থা অমদা লুপা ৫০০ গী শেনফম ন্যুট্রিস্নেল সপোর্ট ওইনা পীনবগী প্রোভিজন য়াওরি। এন্টি টি বি দ্রগশিং ফ্রিদা ফংহনবনচিংবশিং য়াওরি।

প্রিপাক্কী কাদরনি চিংনবা অমা ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩(ঐচ এন এস): থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি ২৬ শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা থৌবাল কৈথেল এরিয়াদা চপ চাবা পাউ অমা ফঙবদগী থি-হুন্বা চথবদা প্রিপাক্কী কাদরনি চিংনবা অমা ফারে হায়রি।

ফারবা কাদর অদুগী মমীং খুমুকচম সোমোরেন্দ্রো এলিয়জ অঙাংমচা (৩৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা কেঐচ লিলাসিংহ কৌই। মহাক ককচিং খুনৌ অৰাং বামোন লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। মহাক মখা তানা ৱাহং পাউহং চথুনবগীদমক থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।